

# সনালৈবাক স্পোর্টস




IMPHAL, FRIDAY, APRIL 19, 2019 PAGE 7


*ফ্রান্সকী সিটি মোনাকোদা চথরিবা মোন্টে কার্লো মাষ্টর্সকী নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভ*

*ইংলেন্দ অমদি ৱেলসনা য়ুম্থু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদবা শ্রী লঙ্কাগী কেপ্টেন ওইনা খনখ্রবা দিমুথ করুনারত্নেনা*

## টোকিওদা ক্বালিফাই ওইনবগীদমক ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটরশিংনা এসিয়ান চেম্পিয়নসিপ্তা মীৎয়েং থল্লি




*কোলকটা, এপ্রিল ১৮ঃ*

মথং চহীদা জপাননা য়ুম্থু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক্সতা ক্বালিফাই ওইননবগীদমক ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপী ৱেঠলিফটরশিংনা চাইনাগী সিটি নিংবোদা থা অসিগী ২০ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়নসিপ্তা অকনবা মীৎয়েং থল্লি।

এসিয়ান ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়নসিপ অসি গোল্ড লেবেল ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অমা ওইরিবনি। কোন্টিনেন্টেল ইভেন্ট অসি মমাঙদা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্লবা মতম লেপখিবনি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা পীগদবা ফজবা পার্ফোমেন্সনা শান্নরোইশিং অদু টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা য়াওবা ফংগদৌরিবনি।

দোপ্পিংগী কেস হন্থনবা ইন্টরনেসনেল ৱেঠলিফটিং ফেদরেসননা ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং অসিদা সিষ্টেম খরা থল্লি। সিষ্টেম অসিগী মতুং ইন্না এঠলিট অমমমনা ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অহুম লৈবগী মনুংদা ইভেন্ট অনীদি শোয়দনা শরুক য়াগদবনি।

এসিয়ান ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়নসিপ অসিদা ইন্দিয়াগী টিম অসিদা কুমজা ২০১৭ গী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন মণিপুরগী নুপী লিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুনা লুচিংলি।

মিরাবাই চনু খ্বাং নারুবদগী ফরক্লবা মতুং মহাক্কী হান্নগী ৱেঠ কেটেগোরিদগী কেজি অমা হেনগৎলগা কেজি ৪৯ দা অহানবা ওইনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা থাইলেন্দদা পাঙথোকখিবা ই জি এ টি কপ্তা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। ই জি এ টি কপ অসি টোকিও ওলিম্পিক্কী সিলভর লেবেল ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অমনি।

এসিয়ান ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াগদবা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ৱেঠলিফটরশিং অদুদি ঝিলি দালাবেহেরা (কেজি ৪৫), স্বাটি (কেজি ৫৯) অমদি রাখি হান্ডর (কেজি ৬৪) নি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা কম্মনৱেল্ঠ গেমসকী গোল্ড মেডল অনীরক ফংখ্রবা সটিস সিভলিঙ্গম, য়ুঠ ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেডালিষ্ট জে রেমী লালরিনুঙ্গা অমদি নেসনেল চেম্পিয়ন অচিন্টা সেয়ুলি এসিয়ান ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়নসিপ অসিদা মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরি।

চাইনাগী সিটি নিংবোদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপা ৱেঠলিফটরশিং অদুদি এম রাজা (কেজি ৬১), জেরেমী লালরিনুঙ্গা (কেজি ৬৭), অচিন্টা সেয়ুলি (কেজি ৭৩), সটিস সিভলিঙ্গম অমসুং অজয় সিংহ (কেজি ৮১), ভিকাস থাকুর অমদি আর ভি রাহুল (কেজি ৯৬), পরদিপ সিংহ (কেজি ১০২) অমদি গুরদিপ সিংহ (কেজি ১০৯ মথক) নি।

নেসনেল কোচ বিজয় সঙ্করনা ফোঙদোকখিবদা এসিয়ান চেম্পিয়নসিপ অসিগীদমক খনগৎলিবা ৱেঠলিফটরশিং অসি য়াম্না অকনবা মীৎয়েং চঙলবা মতুং দা তৌখিবনি হায়রি।

## ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুল অমদি টোটেনহাম হোটস্পর চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে




*লিজবোন, এপ্রিল ১৮ঃ*

য়ুরোপ্তা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইংলেন্দগী ক্লব অনী লিভরপুল অমদি টোটেনহাম হোটস্পর ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্নুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি পোর্টুগালগী সিটি লিজবোনদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব লিভরপুলনা পোর্টুগালগী ক্লব এফ সি পোর্টোবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা এগ্রিগেটতা ৬–১ দা হেল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টিম অনীনা মমাঙদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা লিভরপুলনা এফ সি পোর্টোবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবগী খুদোংচাবা হেন্না লৈখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ অদু হৌবদগী লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা লিভরপুলগী শান্নরোই সাদিও মানেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদা এফ সি পোর্টোগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা এটেক কয়া চথদুনা লাকখ্রবসু লিভরপুলগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী গোল এরিয়া অদু নীংথিনা ঙাক শেনবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল ওন্থোকহনবা ঙমদনা লাকখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা লিভরপুলনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা ইজিপ্ত মচা মোহমদ সালানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

মিনট ৪ লৈরগা এফ সি পোর্টোগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ইদর মিলিটাওনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৭শুবা মিনটতা লিভরপুলগী অতোপ্পা শান্নরোই রোবার্টো ফর্মিনোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচ লোইগদবা মিনট ৬ ৱাৎলিঙৈদা লিভরপুলগী শান্নরোই ভির্জিল ভান দিজকনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ অদু ৪–১ দা মায় পাক্লগা এগ্রিগেটতা এফ সি পোর্টোদগী ৬–১ দা হেন্দুনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচতা ইংলেন্দগী ক্লব অনী টোটেনহাম হোটস্পর অমদি মেঞ্চেষ্টর সিটি লম্বা তৌনখি। মেটচ অসিদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা টোটেনহাম হোটস্পরবু পাঞ্জল ৪–৩ দা মায়থিবা পীবা ঙমদুনা এগ্রিগেটতা ৪–৪ দা মান্নখ্রবসু অৱে গোলদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ফজবা হেনখিবদগী টিম অসি সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

টিম অনীনা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা টোটেনহাম হোটস্পরনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু ১–০ দা থোইরম্বনি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু টিম অনীমক হেক হৌবদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা লাকখি।

শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী রাহিম ষ্টরলিংনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মাঙজিল থাখি। টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোই হিয়ুং মিন সোননা শান্নবগী ৭ অমদি ১০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী ১১শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী বর্নার্দো সিলভানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–২ দা মান্নহনবা ঙমখি। টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা রাহিম ষ্টরলিংনা শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা ৩–২ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী সর্জিও এগুইরোনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ৪–২ দা মাঙজিল থাখি। ৭৩শুবা মিনটতা টোটেনহাম হোটস্পনগী শান্নরোই ফর্নান্দো লোরেন্টেনা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মেটচ অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা টোটেনহাম হোটস্পরবু ৪–৩ দা থোইবা ঙমখ্রবসু এগ্রিগেটতা ৪–৪ দা মান্নদুনা অৱে গোলদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ফজবা হেনখিবদগী মখোয়গী টিম সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## আই পি এলগী ৩৩শুবা মেটচতা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা চেন্নাই সুপর কিংসপু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে




*হায়দরবার্দ, এপ্রিল ১৮ঃ*

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল)গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩৩শুবা মেটচতা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা চেন্নাই সুপর কিংসপু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

৩৩শুবা লীগ মেটচ অসিগী টোস চেন্নাই সুপর কিংসনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। চেন্নাইনা ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৩২ খক লৌখি।

চেন্নাইগী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম ফজরকখি। টিম অসিগী ওপনর সেন ৱাটসন অমদি ফা দু প্লেসিসনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা রন ৫০ লাম্থোকহনবা ঙমখি।

ওপনর সেন ৱাটসন বোল ৩১ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৪৫ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর ফা দু প্লেসিসসু বোল ২৯ মায়োক্লবদা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৩১ লৌরম্লগা টিমগী অপুনবা রন ৮১শুরকপদা আওট ওইখি।

৩শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা মেটচ অসিদা চেন্নাইগী কেপ্টেন ওইরিবা সুরেস রাইনাসু ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদনা বোল ১৩ দা রন ১৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মখা তানা চঙলকখিবা বেটসমেন অনী রন লৌবা ঙমদনা আওট ওইখি।

৪শুবা বেটসমেন অম্বাতি রায়ুদুগী আওট ওইদনা বোল ২১ দা রন ২৫ লৌরম্বা অমদি ৭শুবা বেটসমেন রবিন্দ্র জাদেজানা আওট ওইদনা রন ১০ লৌরম্বা অসিনা মপুং ওইরগী চেন্নাইগী অপুনবা স্কোর অদু ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৩২ লৌখি।

সনরাইজর্স হায়দরবাদনা মায় পাক্নবগী রন ১৩৩ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ১৭শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা ৱিকেট ৪ তুরগা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৬ তা মায় পাকখি।

সনরাইজর্সকী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম ফজরকখি। ওপনর দেবিদ ৱার্নরনা চেন্নাই সুপর কিংসকী বোল্লরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লবদা ঙমদুনা বোল ২৫ দা ফোর ৪ য়ৈরগা খোঞ্জেল থুনা রন ৫০ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

টিম অসিগী কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসনসু শুপ্নগী রন ৩ দা আওট ওইখি। ৪শুবা বেটসমেন বিজয় সঙ্করনা রন ৭ লৌরমখি অদুগা ৫শুবা বেটসমেন দিপক হুদানা রন ১৩ লৌরমখি।

টিম অসিগী অনীশুবা ওপনর জোন্নী বেয়রষ্টোনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৪৪ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৬১ লৌরমদুনা মেটচ অদু মখোয়গী টিম্না ৱিকেট ৬ তা মায় পাকখি।

## স্পেনগী রাফেল নদাল অমদি সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টর্সকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে





*মোনাকো, এপ্রিল ১৮ঃ*

ফ্রান্সকী সিটি মোনাকোদা চথরিবা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টর্সতা স্পেনগী রাফেল নদাল অমদি সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি লম্বা তৌনখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

স্পেনগী রাফেল নদালনা ক্বার্টর ফাইনেলদা আর্জেন্টিনাগী গুইদো পেল্লাগা লম্বা তৌনরগনি। পেল্লানা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা সিদেদ ইটালিগী এম সেচিনাটোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৪, ৪–৬, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরাই সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা য়ু এসকী টাইওর ফ্রিটজবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ১০শুবা সিদেদ রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভকা লম্বা তৌনরগনি।

রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা ৬শুবা সিদেদ গ্রিসকী শান্নরোই ষ্টেফানোস সিটসিপাসপু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৬–২, ১–৬, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টর্স অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দদা সর্ভিয়াগী দি লাজোভিসনা ৪শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইটালিগী শান্নরোই এল সোনেগোগা লম্বা তৌনরগনি।

ইটালিগী সোনেগোনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা বৃটেনগী সি নোরিবু ৬–২, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টর্স অসিগী নুপাগী দবলসতা ৩শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা বৃটেনগী জেমী মুরে অমদি ব্রাজিলগী ব্রুনো সোরেজনা অনীশুবা রাউন্দদা ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিগ অমদি ফ্রান্সকী রোজর ভেসেলিনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৭–৬(৭–৫), ৬–৭(৪–৭), ১০–৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা আর্জেন্টিনাগী দি স্বার্টজমেন অমদি পোর্টুগালগী জে সৌজাগা লম্বা তৌনরগনি।

আর্জেন্টিনাগী দি স্বার্টজমেন অমদি পোর্টুগালগী জে সৌজানা মখোয়গী অনীশুবা রাউন্দদা ৬শুবা সিদেদ পেয়র ফিনলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেন অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন পিয়র্সপু ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

## ইন্দিয়াগী প্রজনেস অমদি রামকুমার ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে




*এন্নিং, এপ্রিল ১৮ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা টেন্নিস টুর্নামেন্ট প্রজনেস গুন্নেশ্বারন অমদি রামকুমার রামানাথন চাইনাগী সিটি এন্নিংদাদা চথরিবা য়ু এস দোল্লর ১৬২,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা চেলেঞ্জর্স টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

মমাঙগী চেম্পিয়ন অমসুং অনীশুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী প্রজনেস গুন্নেশ্বারননা ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা জেক রিপব্লিক্কী এদাম পাভলাসেকপু ষ্ট্রেট সেট ৭–৫, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা সর্ভিয়াগী নিকোলা মিলোজেভিসকা লম্বা তৌনরগনি।

চেলেঞ্জর্স টুর্নামেন্ট অসিদা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই রামকুমার রামানাথননা ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা চাইনাগী ঝিঝেন ঝাংবু ৬–৩, ৩–৬, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা অহুমশুবা সিদেদ পোলেন্দগী কামিল মাজচরজাক্কা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী পেয়র প্রজনেস গুন্নেশ্বার অমদি সাকেট মাইনেনি ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র মেক্স পুরসেল অমদি ল্যুক সাভিলিগী মখূত্তা ১–৬, ১–৬ তা মায়থিহৌখি।

নাইজেরিদা পাঙথোকপা আই টি এফ মেন টুর্নামেন্টকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী কুনাল আনন্দ ফ্রান্সকী টোম জোম্বীগী মখূত্তা ৩–৬, ৪–৬ তা মায়থিহৌখি।

### ক্রোসৱার্দ ১৩৫ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | L | A | W | | H | E | A | R | | A | L | O | F | T |
| N | O | T | I | | I | D | L | E | | P | O | L | A | R |
| I | D | O | S | | D | I | S | S | E | R | V | I | C | E |
| P | I | N | E | S | | T | O | U | T | | E | V | E | S |
| | | | T | O | T | | | M | O | U | S | E | R | S |
| D | I | S | O | B | E | D | I | E | N | C | E | | | |
| A | B | A | | | R | O | D | | | L | A | M | B | S |
| D | I | S | C | O | N | T | I | N | U | A | T | I | O | N |
| A | S | S | A | D | | | O | U | T | | | D | N | A |
| | | | D | I | S | E | M | B | A | R | K | I | N | G |
| T | A | K | E | N | I | N | | | H | I | E | | | |
| O | N | A | N | | T | E | E | D | | M | E | T | O | O |
| D | I | S | C | O | U | R | S | E | S | | P | U | M | A |
| A | S | H | E | R | | G | A | L | E | | U | N | I | T |
| Y | E | A | S | T | | Y | U | L | E | | P | A | T | H |

## মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা এষ্টোন ভিল্লা থোইরম্লগা ৱুমেন্স সুপর লীগতা চঙখ্রে

*লন্দন, এপ্রিল ১৮ঃ*

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী নুপী ফুটবোল টিম্না এষ্টোন ভিল্লাগী নুপী টিম্বু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা ৱুমেন্স সুপর লীগতা শান্নবা ফংখ্রে।

ইংলেন্দ চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ১৭শুবা লীগ মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা এষ্টোন ভিল্লাবু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা হাল্ফকী মিনট ৪৫ শান্নরকপদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোই এ মিলি ট্যুনরনা হেদ্দিং তৌদুনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। টিম অসিগী অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা এলেক্স গ্রিনৱুদনা চল্লবা মতুং জেসিকা সিগসৱোর্থনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোই ইল্লা টুনে অমদি চার্লি দেভলিননা পাঞ্জল অমমম চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৫–০ দা মায় পাকখি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা চেম্পিয়নসিপ অসিদা পুন্না পোইন্ট ৪৬ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। লাক্লিবা থাংজা নুমিৎতা টেবলগী ১০শুবদা লৈরিবা ক্রাইষ্টেল পেলেসকী নুপী টিমগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা মায় পাকপা ঙম্লবদি চেম্পিয়নসিপ অসিগী টাইটল ফংলগনি।